
অশাংব-ঈথক

সোংইজম নরেশ্বর সিংহ

১৯৭১ ইং

ঐগী মরুপ ধবলগী খুৎতা ।



ঐভদি

তারমদ'ই হুমিংকী মতাংসিদা
ঐনা মিংচৌ পংলগা নোকপদা
নোকতে চাখুমগী মৈশাদগী পাংথোরক্লিবা
মরি মরি তেলঙ্গা ময়ামসিগা লোয়ননা
হুমিদাংগী অমমলদা শিনখি মহ'কুম্ ।
নোকপগী লৈমা নোংকুপী ভসিদি
মঙলানগী তাংলোয় কাদা চনখে ।
নিংথরবা সনা খুঙ্গস্তু উতো' অমদ ঐন
থংখোহ চক্ল ময়াম্না চেংনা থুমহুনা
মালংনা পাংথরবা ঐগী পাঞ্জাবী ফুরিংখাউদা
খুংঙজরবী ঐগা নোকপীসি হাপ্পুনা চংপদা
কিলোমিটার অনি চংলিটি মহাক্সে উনন লাইজঙ্গরাদা
মথেমগী মংলংদা ভুপ্পা ভুপ্পা তিনখে ।

ভাংখ্ কুপনি ঙক্ষ বিমলগী লাইবকসে
কেলেন্ডর ময়ামসিগী মথুংদ নোক্লা শানজবম্বা পুন্সীসে
অনৌবা। লমতা থাগী হুমিদাংদা তুম্লবা মনাক্ত
চংনবীম্সু হাউবা। ধমম্সু যাউবি। অতুবু করম্বা ভুতং
নযা পযসা যাউতেথ হেন্না পিহুনা পুখ্রব
মহাক্তদি ময়াম তানবা লাউরি, কপ্প।
অতুগা ঐথোযগী মীয়ামগী যেংকী থুংসিদ
স্থাং স্থাং ক্রপ ক্রপ চংলি, লোনশিল্লি—
ব্ল্যাক মারকেটগী নিংথো হৈনজবী
ইলেকসনগী শাদানবশিংদা ফানা ফানা পিটং
কারখানাংদগী পুথোরকপা য়াংবৌ মরামসে

হুই তৌদোং ময়ামসিম্মু হরাওবনা লোইখ্রে
তারব্র ? মস্ত্রীমচাম্নুপীস্মু ইবোইবসিদা মনা ফংলে ।

ঐদি ! ঐদি ! তারমদাই নুমিৎকী মডালসিদা
অমুক হন্না মিংচৌ থৎকে হায়রহুনা ওস্তোরকপদা
নুমিৎকী মডালসিম্মু ফ্রং লাউনা শাউহুনা
অহৈডে জরাসন্ধনা তৌরম্বা মৈগী পুথ্বীদগী ঈশিং লোরগা
থুজোক্ থুজোক্ চাইথরক্লে ।
কৈথেলগী ভারি অসিম্মু মিকপ্ থোরক্লে ।
অহুগা ঐভদি লোরক্লে ।

পুন্সী

পুংলোনসিদা ঐস্সু জগোই শাবা ঙমগনি
অতুগা ইকাইখুম্নবা ?   য়াম্না লাইব য়ানি
অনৌবা স্কুটারসিদা হেক্তা কাখৎপদা মনখৎক্লবা ঐগী খংম্মাইনা
ভুং ভুং লাউনা হয়াওনা স্কুটারসিস্তু ঐবু পুত্থনা চৎলি ।
মফম শড্‌দে ।   অসিমদি হায়রকই·পুন্সীগী মনম ফংডি
য়াহংদে পাউখুমগীতমক্ হম্না ফাউবা য়েংঙমদনা চৎখি ।

কৈথেলগী লাংলিবা মরকসিদা ঐস্সু লংবা ঙম্মি ।
লৈবা য়োনবা ?   লাংলিবা মস্তামসিগী মিৎচৌদা নেংলগা
ঐস্সু অমুকংদি হংবা ঙমগনি— কয়ানে ?
মুনা থল্লবা লিক্লি সদি ঐনা পুনিংবা মফমদা
পার্লামেন্টদা, লম্বেলদা, লৈরক্তা, অমদি নিংথৌকোঙ্গুংদা
পুব ঙমগনি মথুমসিন মতু-মমাং খিংলকত্রবদি
য়াহং অসিগী পাউখুম পিদনা মৈশানা থল্লবা
পুক্নিং ইনখোয়রক্নবা হায়রক্লি— য়েরুম'স ফংতে ।

ঐনা করি অমুক খল্লগনি

করি অমুক খল্লুগনি
অতৈ কবি অমুক তাগনি
ঈচাউবগী তমথিরবা মচাশিংগী রারি
পাংকী চেক্লাউবীনা মচিন্ অতুম্বা
তপ্প তপ্পা শন্দোরক্লুনা পুথিবা
খোংগী কান্নিদোমন্ ডামুবু।

চাংগী উনরক্কুগী পাইথোরকপা মৈরাংবাশিংনা
হৌলেকসনগী সেটংফামিনা লেপ্লগা
মীয়ামগী পুক্নিং শুমহৎনবা হায়দ'ব
মনা মনা পামজবা ভীবনা
গণতন্ত্র সন্দোকপা হৈজিনা খোংফমনি,
মাদাব ইণ্ডিয়াবু মসিনা নিংচং অমম্‌না
থথা পে হনা শৈরেংজন্না পুনশিনা।

করি অমুক খল্লুগনি
ডাফরন সমুদ্রগী ঈপাক্তা
সুবল মপানা চেল্লক অথুবনা
চেক্লাউবীগা ক্ষগোই শাবা
পুং মচু তুংবদা মচাকনি
ঈশা তনা মপুক্ কালবা
চংযোনবগী তুংম্বাক্থক্তা মাংকাক্ হায়গংপা ওমনবা চাংশুম্
মমৈতনা ফং ফং তায়বা,
ও! নিকাম্ব
পং তক্কা পাওনা বোড্

ও ।   কায়থে্‌

ইচিক্‌ হুমকৃপগী টিকেন্দ্রজিৎ রোড্‌

মীতৈগী শ্যাম কাঙ্গাইশিংগী খোঙচৎতা

অমনা অমদা ভাখু খেংহুনা চৎপগী

জজ সাহেবনা পৌরোল হাংদোক্ত্রনা

ভারাম্‌ ভারাম্‌ কৌশিনখি ।

ও ।   কয়াতা মুংশিখ্রবনো ।

ঐনা করি অমুক্‌ খনগনি ।

ঐনা করি অমুক্‌ ভাগনি ।

ব্রজমনিবাবুনা মহাকী লৈকোনগী খনসিদা

অভাং অনা থাংগৎলি, অভাং অমা থাংদৈ

অভাং অমা থাংগৎলি অভাং অমা থাংদৈ

অনুম্বা অয়াং য়েংলি

অনা লাইশক্‌ খঙ্‌নবা ।

মপান্‌ খোক্‌পা অভাং অমনা

শুমাং লৌলাগী পাউদমই—

শ্যামগী মপা কপহৌই

মুমিং হুমনি শুরে

ভামু চিঞল অমগা জগোই শানা শানা

থাবুম অমগী লৈমা ভোম্বী

শ্যামগী মমাভোন্‌ নিংখিবী

ঈরোমুংদা লুপথে্‌

ও !   কয়াতা মুংশিখ্রবনো ?

ঐনা করি অমুক খনগণি

ঐনা করি অমুক্‌ ভাগনি ।

করি অমুক থল্লগনি।
অতৈ করি অমুক তাগনি
ঈচাউবগী তমখিরবা মচাশিংগী রারি—
পাংকী চেকৃলাউবীনা মচিন্ অতুম্বা
তপ্পা তপ্পা শন্দোরক্তুনা পুখিবা
খোংগী কালিঃদোমন্ ডামুবু।

আঃ

আঃ—
কৱিনো
ফজৈ ফজৈ
পুক্নিং-ভক্সন্-শউম-পাউথুম ।

আদগী
আহানবী
বসদগী মহাৱস
কাবাদগী মহাকাবা ।

মাইপাবুংগী মাকোক্ ভাণ্ডার
ওইদা শারে ওইদা নৈ
য়েংত্রা শারে য়েংতা থেক্ই ।

অহনগীদি
ঈখিংনি ।

য়েম্মাও ময়াম্মা ওমবনা
সাহেবকী চাকম্ রারে ।

নোংজু পাম্বা লোইথিবনা
য়েনবী অমোম অনিনা
কম্না কম্না চিক্করি ।

আগী মথং ঈ-নি
আত্মাগী পাউখুম লৈতবনা
অভাং পুন্সী মহুতা
মনবী মনাওগী মিতম্মী।

লাইশোন্ চৈশৈ অমা

বৃন্দাবনদা টেলিগ্রাম থাখে
ঐগী মক্লাংদা ভাথহুনা লৈরিবা
উ রা ময়ামশিংসে নোঙ্গাখে
পুনব, পুমথংলবা থুংসিনা।
শ্রীকৃষ্ণ কৃষ্ণগী মহুংদা লৈরে
মীশু মীগী মহুংদা লৈরে
পান্দা ময়ামগী হরাওবনা রাংশোং হমুবা হনুবী
তরা নামতা চাবগা নিকুঞ্জবনদা য়াতরি।
নি থোগী রারেন, মীয়ামগী খোল্লাওনি
রাধা কৃষ্ণগী যুগোল মুর্তি মাংবা য়াদে
রাধা কৃষ্ণগী যুগোল মুর্তি মাংবা য়াদে।
থরাই য়াউহ্রবা হকচাংশিংদো
চারাম চতংলবা হুই লমচৎইশিংগী থাম্মাংতা থাদথি

ভসিদি থুমনগী তম্পাক্সিদা
চাইহুনা লৈরিবা শরু-শয়াংশিংদো থুনগংলি
নাহা পাথং হমুব-হনুবী, ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব
অমত্তা চিংথাদে মরক্ মরক্তা কেন্নয়ারনা লাউরি
পৃথিবীসিদা লাই লৈরে
পৃথিবীসিদা লাই লৈরে
যীশু খৃষ্টতনা অচুম্বা লাইনি।
থবক্ লেপ্তুনা ময়াম্মা ভাই
রাস মণ্ডলী শারম্বদগী ফুক্ ফুক্ হোগৎহুনা
মসিবু অচুম্বরা ? মসিবু অচুম্বরা ?

হম্বিং খোংয়াংম্বীনা য়াম্ব য়াম্ব তুরিবা
ইচেত্তোম্বীগী ইপোম্ নাইবা পুকসি
ইংলিশ কাটিংনা কুপত্রবা ফজবা
ঐস্বু মাম্বু মসিতমক্ মীহৌরি।
ময়াং নার্স অমনা ঐঙোন্দা ইন্দুনা হায়রকই—
ওসিদি মুংদাংদি য়াসনি, কাউরব্রা ?
ময়াম থবক্ শুবা হৌগংলি
মিংলমদা অমমবগী পর্দা তাখি
নংগী ঐগী মিংলমদনি

কৃষ্ণনা কৃষ্ণগী জগোই শাই
রাধানা রাধাগী জগোই শাই
ঐখোয়না অসোমদা লাউরি
যুগোল মুর্ত্তি মাংবা ঠাদে
মিচাং য়াংবক্তে ময়াম জুক জুক ইরৈ
বসন্তগী কোকিলস্বু খোংবা লেপ্তে
পাংতগী থম্বালস্বু মকালায়া শাংলি
মফম অমত্তদনি
হৌরকফম অমত্তনি
মাহৌশা মাগী ঐগী মাহৌশানি
মিংলমদা অমমবগী পর্দা তাখি
ঐগী মাগী মিংলমদনি।

অহং হায়বদি ঐবু হায়বনি
লোকেল অমস্বুং তোকেলগী য়া তারগা
তুমম্বা অঙাংসিস্বু হৌপংলগা কপথংলক্ই

অর্থ য়াউদবা মিকপ্তা।
পুন্নমক্ মাগী মাগী কাননবা শেমজিনবা থিউরি
শ্রীমতী বন্দরনায়কী য়া তারগা
প্রজা ময়ামমিন্থু হয়াওবনা
ভারতকী ইঞ্জিনিয়ারবু তবাম তয়াম ওকৃখি।
সিংহলগী নূজাশিংসে লোকেলগী য়াহং অমত্তং হংদনা
মরূপ, নং ঐবু মশক্ থঙ্ত্রা ?
য়াংসিত্তা হৎলেগা থুং শয়া শয়না চৎখি।
ঐনঃ দোত্তোলা মথক্তুগী য়েংলকপদা
সমুদ্রগী ঈরাউখোলদা মখোয়স্থু নোক্লা নোক্লা তিনখি।
থংসোমদা কৃষ্ণনা কৃষ্ণগী জগোই শাই
রাধনা রাধাগী জগোই শাই
রাসমণ্ডলীগী ভাবোক্লা থুবাক্ প্রোপ্ প্রোপ্ ফুই
মিৎলমদা অমমবগী পদা তাখি
ঐগী মাগী মিৎলমদনি।

নোংজাম্নমদাই মত্তমদা
হাকাম্ য়া য়া চনলি
ভাবোক্ ময়ামশিংদা।
অমনা অমগী কৈবাক্তা
অমনা অমগী কৈবাক্তা
নূজা পাখংশিংদো ভাথনৈ—
মমা শাবীশিংনা মচাগী য়া নোক্লা নোক্লা তমকৈ
চালিসে ফজত্রা ? চালিসে ফজত্রা ?
স্মৃত্রধারীগী ঈশৈনা
নোংমিকশিংসে হমথিবনা

পান্দা ময়ামগী ফিস্ ফিস্ ভাংনবমক্তা
নোংভাল্লমদাইগী জগোইদি বিশ্বতাইবং গুমহৎলি ।
হয়েং ঐনা লৈগনি
হয়েং ইমা লৈরোই
ঐগা মহাকৃকা ভাংনবা
ঐগী .লান্, সংস্কৃতি, সমাজ, দেশকী, মথক্তা
রাধা কৃষ্ণগী যুগোল মুত্তি
পাউথুম লাক্কে বৃন্দাবনদগী
ঐগী মাগী রাহংগী
অহুনা কৃষ্ণনা কৃষ্ণগী জগোই শাই
রাধানা রাধাগী জগোই শাই
ঐগী মিংলমদা অমমবগী পদ, তা'খ
ঐগী মাগী মিংলমদনি ।

চোঙাগী ঈশৈ

মীথনগী লামায়দা ঐহাক্
পাকলবা অভিয়াদা অমুবা লৈচিনগুম্
ঐগী জাতিগী ইতিহাসতা ঐস্তু
চিনথিবা, জুয়ার শান্নবা, য়ু থক্পা
মনিগী মোহন হায়না ময়াম্না খঙ্নরবা মীনি।
ইমাগী
ঐগী মুপীগী পোমখৎলবা মাঙখোং
য়াক্লবা মুংশাগী মৈশানা
চেনকম্ খড্রবা থনকম্ খঙ্রবা
পিক্লবা মাগী মাগী ওইজবা ইবোই খোংগুনদা তাউখৎলবা
মিৎ না মাংখ্রবা শক্কমগী ভাম্ চারিয়াগুম্
অপুম্বা হকচাংগী নমথিবনা চারিবরক্তা
ঐস্তু ইথম্বা পাল্লাদা থাংগৎতুনা ওনবৈ।
মনিমোহন্ মল্লিকচাবনি, ঐনা চাউখোক্চৈ
ইংরেজী ভাংবা, থৌনা কবা, চিনখি ভাংবা লাম্বা লৈতে
কহরমলগী অহুমগুবী অমস্তু য়াউই
দাস পাড়াগী রিফিউজী মুপী হনজবী অমস্তু খেৎলি
ঐগী পোপুলারিটিগী পাল্লাদা।
সমুদ্র তরেৎ তুরেল তরেৎকী ঈশিং থকলবা
ভসিনা কংগ্রেস্, হয়েংনা জনসঙ্ঘ, হংচিৎনা প্রজাসোয়েলিষ্ট
অহুনা ঐগী পোপুলারিটি
লৈরভদা চৈথাইহনা তারিবা অঙাংগী ষষ্ঠী পূজাগী কবোক্গুম্
ষষ্ঠী পূজা লোইদ্রিবৈদা উৎ ওইনা মাংখিনি
লাই থুয়াগী মেরুকী কমলা

ইংরেজী ভাংবা হৈতবা, অওইবতা ভাংবা, জাতিশীদি
মচু মচু হেক্ পামজবা মওংদা শাগৎলুবা খুরাসিগী
তুংদা খুং থাঙ্গাংনবা মী লৈতে
তুংদা খুং থাঙ্গাংনবা মী লৈতে।
চোভাগী ময়ামগী খংনবনা
মিঃ পালগী থম্মোই মরাং হৌই
হায়কেং নোকতমক্ নোক্ই
অহুইভ ক্লাইভনা নোক্খিবা মীনোক্তা,
পাইবদি ভস্মী, কমহনবদি ইভম ভমদে,
অহুনা নোক্লিবা মীনোকসিগী থায়াংতা ঐস্রু
আসাম মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ, নোংপোক ভারত মনিপুরী
সাহিত্য পরিষদ।
যনকীদা নোংজাউগী মখুন্
ঐগী সাহিত্য, সংস্কৃতিগী শক্ফম্
ঐগী কমিটি, ঐগী মিহুৎশিং
ঐগী সমালোচক, ঐগী কবিশিং
হুজিক্তা ঈশিংদা তারুবা রাম্বহুনা লৈরিবা অভাংশিগী শক্ফম্
পৃথিবীগী শান্তিগী অতিয়া ইউ, এন, ও
মচেৎ মচেৎ চিংথাইহুনা তারিবা
ইন্দোচীন অমস্রুং মধ্যপ্রাচ্যগী ভম্পাক্তা
মপৈ মপৈ পৈরিবা জেট প্লেনগী পুক্নুংদা
তমথিবা মুংশিংনি ঐস্রু
অহুনা মীথনগী লামায়দা ঐহাক্
পাক্লবা অতিয়াদা অমুবা লৈচিনগুম্
ঐগী জাতিগী ইতিহাসতা ঐস্রু।

ঐদি হৈহ ঈশৈ শকৃপা
তাংনা কংবা নিংথম লাইজঈরা
তাবোক্কী থম্মোয় তম্পাক্ চোংহনবা ডমত্রবা শৈশক্
শারেঙ থোংবরক্তা
হান্নাইচাক্ অপুম্বা খজিকুংগুম্
ঐস্মু ইবাইগী শোরাংতা
লেংবান্দা য়ানলিবা অমুবা চরৈফিনি
নুংহোংবগী যাত্রাগী য়েক্কবনি
অহুবু ঐগী কাংলুপ রাংতে
থুং থাঙ্গংনবা মী রাংতে
অহিং অথেংবদা লম্বেল মনাক্ত
মপৈ মপৈ তাখিবা অশেঙ্বা অশাবগী মরূপনি।
উকিল সাহেবনা হায়রই—
মনিমোহন, হন্দকসে নহাক্ পোত্থারো
ঐনা য়াবা কৌবতা নৈতে
ঐদি জাতিগী য়ুম্বীরেন, পোপুলারিটিগী মপা
চয়াম পোক্রবা সাপৈ অচৌবগী ফিরাননি
ঐদি শোয়দনা ইলেকসনদা কাগনি।
থুগাগী মিংতগী পি
লাথ অমগী থম্মোইদা তাথি
ঐগী মুপীনা চহি অমা থাউগী মনম্ ফংত্রবা
মাপ্পী শম্নাং ইন্‌থোরক্ক্‌না চাইথাইরি
মকম মরাং থঙ্‌দনা-মীংতগী পি
যুগ কয়াগী মনুংদা থুনগংপা য়ারোইদবা ফিবমদা।
অহুগা লাউরি-ইপুরোইবনা মতিক্ চাবনি।

সুনা মম্মাগী মনা পংখি
নোংথাক্ অসিগী অকনবা চৈথেঙ্না
পাগলা গারদকী থোংজাউ নিংথাহুনা ভারকপনা
অঙাওবা মুপা-মুপী পুম্নমক্
হরাওহনা কোইচেন্ চেনলি
হরাওবনা কোইচেন্ চেনলি।
ঐনা লোক্তাকী ফুম্ মথুংদগী কোক্ থিনগৎলগা
মতম কুইনা ভাহুনা লৈরিবা লৈকাংচাররবা
জাতিগী অনোক্ মিংতা হাপ্লগা হরাওনা য়েংলি—
চাওবা চাওনা শিংলিবা মুংশিং
অশাংবা থম্মোইগী সমুদ্র ঈপাক্তা।
অহুনা মীথনগী লামায়দা ঐহাক্
পাকলবা অতিয়াদা অনবা লৈচিন্‌ওন্
ঐগী জাতিগী ইতিহাসতা ঐসু।

মুংশিবা

ভারাংতা শাবা লোইবনি, য়াম্না মোদার্ণ শকওংদা
হৃজিক্কী পৃথিবীগী ফিজোন্ টাই, কোট, ব্লাউজ, ফনেক্কা
ঐগী অনৌবা য়ুমগী লোয় নমথাইহ্নুনা
নোংরিক্ অমথক্ ভারক্লি
ঐগী শাবাক্তা শক্তুংহৌদে
অপংবা মী অমাগুম্না তুমিন্না লৈ
মাইকৈ পুম্নমক্ য়েংতমক্ য়েংলি।

ঐনা খংচা চোংখংপদা
লৈ পাম্বীসে থক্ থক্ নিকখে
লৈশম্বগী নোংরিক্
মনা অপুম্বদা শিন্ থুংখে।

রাক্সংক্ষম লৈত্রবা হৃজিক্তা কাপথোরক্পা লাশিং
মথং মথং ইনখোরক্লুনা
ফিখনগী মথুংগী পুনসিদা য়াম্নি লৈশম্বগী নোংরিক্
ঐবু চেংনা কোল্লগা হায়রি—
স্বর্গগী লম্বেলদা লাইভূক্
নরক্কী লম্বেলদা উনশাগী লানবন্
মরক্তা নংগী ঐগী তোং
শন্দোক্লুনা তুমসি তুম্বনামুংশিবনি।

মিস্ কাপুর

ইন্দোচীন লান্ লৈচিন্না কুপথ্রবা অভিন্না
কামানগী থোঙ্জেলরক্তা মৈগী শান্নবদা
পাইরি প্রলয়গী ফিরান।

মীরোন্নবী ভমত্রবা মুংখিলগী পুক্ নমথাইদুনা
চৎলম্মি মিস্ কাপুব ইমুংগী মাইথৈগেত্তা
মংথক্তা হিপলিবা ঐগী ইমাও মুপাগা
অহাংবা মালং থম্মেই লোয়ননা পুন্সী রিস্না অমদা।

ভসিদি উত্রে ভারাংগী অঙাংবা মুমিদাংদো
অমুক্তী লৈমাকোনগী লাউথোংবত্তমক্ ভাই
ইকুথেংকৃষমদা কজবীসিনা থমলগা হকচাংগী অঙৌবা-ফভাতা
থারক্লি অনঙতেন ঐভোন্দা।
ঐদি মহাক্কী গুকনি ইতিহাসন সাক্কীনি।
মিকুপ অমগী মিৎয়েংদা মক্ষম মরাং থঙ্গদে
মতম কুইনা মাংথ্রবা থিউরি পুম্নমক্
থিবা চৎলি থোংলমদা য়েংদুনা
মিস্ কাপুরবু মিৎয়েংগী ৱাংমদা লংশেকৃলমদুনা।

ওস্তোকৃপনি! ঐগী ঈশৈগী হোঙ্গেলসিস্নু
অস্তুধাদা উন্ চংখিন্রে
ভথকপা মিংয়েংদা লৈশম্বগী লিচিংত্তমক্ ভংলি
অমমবদা লাইবক্ থমলগা ঐনা য়েংভি
অঙকপা যুগকী অঙকৃপা নাহুম্
কজবীদো ফিজোন্ মাউত্রবা ঈপাক্তা ভাউরি—
অহমত্তবা নিপাদুগী থাবাক্তা— মহাকৃমু
ঐগী ইগুমুপানি।

ৱাৱি শাৱম্বদগী

অহনসিদি হিপ্নী
অহন ওইৱবা হুমাইসে ভপ্না ভপ্না হুমহুনা
অহন ওইৱবা মুংশিংসে ভপ্না ভপ্না য়াহুনা।
অঙকৃপনি! ৱাৱি শাৱম্বদগী
মুংশিংসিগী মুংশিবা থৃৎনা নানথবদা
অহনসিস্থ ফম্না ফম্না তুমথে।

মুংশিবা তিন্না চানবগী কায়াৎ
ওইথে রায়েনশভগী চাউরবা পোৎলুম্
অসিতদি অচুম্বনি
হযেংনা হয়েং ওইনা লৈগনি।
ভসিনা ভসি ওইনা লৈগনি।
অহাংবা অহিংসিগী অহাংবা হকচাংগী ৱাৱি
থভবগী আশা থমজে ঐদি।
লৈ অসে শাৎখিনি
মুঙ্গাইরক্তা লৈগী লৈনা চেম্থখিনি
ইস্রগী মুভ'ইবা ৱাৱিগা লোয়ননা।
ৱাৱি অসিস্থ
অহনগী হুমাইদগী
নংহাগী হুমাইদগী
থোরকপা মনম হকলবা মু.শিৎসিদা
ভাথু থেংহুনা পাইবা ইভম্ ভমদে।
কবিনা মরকসিদা যুগকী পিক্লবা লয়ি অমত্তং

চিংনবা লাক্লরি
অহনসিগা রারি শানা শানা।
অঙকপভি! রারি শারম্বদগী
মুংশিংসিগী মুংশিবা খুংনা নানথবদা
অহনসিম্বু কম্না কম্না তুমখে।

অঙাং ওইরিঙৈ
মুমিংকী মঙাল্সিদা য়েংবা হৈনরম্মি
হুজিক্কি ঐদি হৈত্রে।
খোরকপগা তু ওন্দুনা লেপ্লি
মিংসিনা যেংবগী পাঙ্গল লৈত্রে।
থক্ থক্ নিক্লিবা পাম্বী
ঈচাউবগী অকনবা চৈথম্ন
মাগী মতোনসিদা হৈখোম মম্নগী
ভিনপেক্ ময়ামসিনা অমগা অমগা মুংশিনা
লুনা চাননা
অহনসিগী হমাইদগী খোরকপা মুংশিংনা শোক্কনবা লাক্লরি।

অমনা অমদা হায়রি
তম্বিসি লুনা চানবা মুংশিবা।
মীওইবা ঐদি তুক্কচবনা ভিন্ শিংলি
মীওইবা ঐদি তুক্কচবনা ভিন্ শিংলি।
অপংবা শাগা মান্নবা হৌনব্রা?
অঙকপণি! রারি শারম্বদগী
মুংশিংসিগী মুংশিবা থুংনা নান্থবদা
অহন্সিম্ব কম্না কম্না তুমখে।

জাজটিস্

মেংলবা খোঙ্গেল, চোক্থরবা খোঙশান্
মাইগৈ পুন্নমক্তা, নোংগী শান্নবা
মরক্তা মুজাইরক্তা শিক্লবা ঈচেলগী হন্নাওবা
পাক্লবা উমংগী হকচাংদা।
মতমগী পাউজেল পুরিবা লেপ্তনা চেল্লিবা ট্রেনগী মনুংদা
ঐহাক্ লাইহিক্ হৈবা অমনি নিংথৌগী খোংকম
মীনাই য়োংহিলং ঐগী
চাউরবা হকচাং কায়াং থুদিংদা
ফল ফল্ চোংহনা শুট, কুট, টাই লোয়ননা চৎলিবা
(মশাগী কায়াংতমক মশানা য়েংবদা ফজবা)
নাকলদা ঐগী পৈাক্লকম লমদম
ত.উহনা চৎখিবা
অঙাওবগী মনুংদা হনুব, চনুবী, পাখং লৈশাবী।

চেং থুম্বা অমগী পুন্সী
মকা ফম্না চাক্লম্বা মুমিদাংগী থাউমৈসে
উমাংদগী শিংলকপা অকনবা মুংশিংনা মুখৎপিখ্রে।
তমখিরবা কপ্পাগী খোঙ্গেল অমথক্
লুনা চানবা মরুপকী হকচাংগী
কায়রবা ঐগী পোক্লকম্ লমদমগী
অঙাওবশিংগী খঙ্মোইদগী খোয়ক্লি
অহৃগা কম্না কম্না লাউরি—

ঐগী লাইরবা শান্নাই চাক্‌খে।
ঐগী লাইরবা শান্নাই চাক্‌খে।

অসোমদা ইংলবা ভম্রবা ল'ইরিক হৈরবা বিগ্রেদশিংনা
দিলারা হোটেলদা ফমদুনা কোকোলা থক্লুনা থক্লুনা
হৈবুং—রানীগী ব্রারি শার শারদুনা
মমা মুংশিবগী ইয়োই খোংগুলদা তাউদুনা
লাউরি—জাজটিস্ জাজটিস্।

ঐগী থাবি

ইনাও মুপী লুহোংবা
ওসি চহি তরেৎ ফাথে ।
অসোমদা চিরকুমারী ঐনা থাশকৃলি
ইপা ইমাগী মরুমদা
মুমিংকী মওাল্ শেমগনি্
সাগৈগী ফৃবা শাগনি ।

লৈকাইগী মৌনা হায়
পুং মরি তাথে
চংনবা তৌরসি
থাহৈ অসি তারগা
ইমাগী মিংতম্গী পি শিম্থখি
মরক্তা ঐগী মিন্শেলনা থায়ৌবি

ব্রাহ্মন বৈষ্ণবনা
নমাবলী ইন্দুনা
তুংগী নাহৈ থাহনা
শুমাং মতোন্দা লাউরম্মি
ধর্ম্ম লৈত্তে ধর্ম্ম লৈত্তে
কলিগী লাইস্থু
মিংকুপ্তনা কুম্মৈ য়েংবদা
পুক্নিং চংথে ।

অ:সামদা চিরকুমারী ঐনা হাশকৃলি
টপা টমাগী মকমদা
কোরৌগী মঙাল্ শেমগনি
সাগৈগী ফুরা শাগনি ।

আমেরিকাদগী স্পাইং ট্রাপ ল'কই
সেমি মৌগী হিসাব লৌথংলি
মীহাৎপীগী খোঙ্গুল লিরক্লি ।

হোটেলগী বোয়গী চাকরী তৌই
মিস্ মনিপুরদা সালাম তৌই
রুম নম্বর তরেংত খুং থিল্লি
বোয় কে-ও অসম্ব য়াউরক্লি ।

মিঃ সিনা ডাইরী লৌথোক্লুনা
তপ্না তপ্না খোংচিল্লি ।

অহিংগী থেংলবা তাংলৌদা
গঙ্গা তুরেল মপান্দা
সেমি মৌ অমনা
কপ্লিবসে করিগীনো ?
মাগী মরোল, মাগী শক্তমনা তাক্লি ।

নাংভাল্লমদাই মতমদা
মিঃ সিনা লাম্মী থবা পুরক্তুনা
ঐগী ইরুম কোইশিল্লই।
মীহাংপীনি হায়রুনা।
ঐপু ফাহুনা পুথংখি।
পম্মোগী লাইফ ইন্সুরেন্স পোলিসিগী
থম্মোয় চেক্লা পাইথরে
অফিসার অমনা ভাকৃলকই।

হোটেলগীনা নম্বর তরেৎ
কৈগুমশঙ্গীনা নম্বর অমা, সংবাদিকী কেকৃচাওবী
ঐগী পুক্লিং কৈগুমশঙ, হকচাং কৈগুমশঙ
তুমিন্না কুম্মৈ য়েংলম্বা
কাংখাগী হৌদেংসি
টেবিলদা চাইথাইহুনা ভারিবা
ভারাংগী অপুম্বা হারাই থোংবসিগী শন্নাং
পাইনা চিংহুনা নম্বর অমগী থরাইসিদা লুপখে।

চিঠি

নংনা নোংমনি,
ঐনা চহি অমনি
অহুনা ইবনি
চহি অমগী
মুংশী মপাও।

রবীন্দ্র কবি—
কবিগুরুদসু থাদোক্লে
মাগী অশেংবা মুক্তি
মিংতগী ফম্বালনা
মচেং মচেং কাইহিল্লিঙৈ
মাগী অশেংবা মুক্তিনা
নিংশিংহল্লি মওমগী থাডচং।

পামেলগী কৈরাথক্তা
বসন্তগী কোকিলনা
নোংমগী মপুনা
চহি অমা ফাম্রিঙৈ
মাগী অশেংবা অর্থ থল্লুরবদি
মতমগী পাউথুম থিবা ফংলোই।

অহুগা নিংথম্বা-ম্নমগী
খোঞ্জেল পেংবদা
হমাং অনপ্পী কারবদি
ম্নাক্লবা কোরৌগী মশক্কা
নংগী শক্তম উবদা
অহুনাহুম তেম্না কজৈ ।

ঙসিগী অকম্বনা
চহি অমগী মুংশি মপাওনি
শক্তিবুগী নোংলৈ মঙাশনি
অহুনা ইবনি—
চহি অমগী মুংশী মপাও ।

নোং মৈরা

অনৌবা নোং
শংবানবা মচু
রাখলগী নোংথাং মরক্তা
মাগী মৈরঃদি চাকৃলি ।

ইমুং মমৈ রাইএকপা
মালং খোঙচং লাকৃপদা
মাগী মচাকৃত্তি কংপনি
মৈরা হেন্না চাকনি ।

স্বর্গ মর্ত পাতালদা
মাগী রাকাইবোল্ তাবদা
অকঙবা মনা উবরোই ।
মাগী মৈরানা ডানবনা
পাক্-চাউরবা অফিরাদা
অশিবগী পাউজেল্ লাক্লরোই ।

অতপা স্বর্গদগী
মাগী জেনজিন্ মৈরানা
পবিত্রাং লৈরাং পুরকপনা
লংনাদনা কবো তারে
ইন্দুমতীগী অরানথুবম্ ।

পূর্ণিমাগী থাজ

ঐদি থণ্ডিত-থণ্ডিত হায়বা ঙমদে
পূর্ণিমাগী থাজদো থূবাং চাংজোনা
থুকমহনা চৎথ্রবনি ঙসিগী মালেম থাদোক্না
মতম অহুদি-ঙসি ঙারাং নত্তে
য়ুমগী লক্ষ্মীনা লক্ষ্মীগী ফম্বাল থাদোক্না
শারক্ ঙারক্ থঙদনা চৎপদগী
অতিংগী মকুনা কোরৌগী মঙাললক্তা
লৈমগী হক্সংনা চেপ্লিবা মিৎলু লাইজগী য়াহং পাউথুম।
লংজাগী শাক্লেংন্দা পিরা-চৎথ্রবা মতম
চৎলিবা মতম-ঐদি থণ্ডিত মাগী মালং।

অমমবনা কৌইশিল্লিবা ঐগী খোঙচৎ
উরশ্মি চৎপগী লম্বেলদা রাপন্ অমা
মাগী হকচাংদা থেংলি জন্দন থবা
পিল্লবা মাগী মঙালনি
অহুবু ঙমথে লৈত্রবা ইম্নুংগী মালেমদা
তিনখিদে তিনখিদে-মাদি চলিগী মালংদা
শাংকাইরবা ফৌগী মনম তাবদা
লিক্লাগী য়ারা খোঙ্জেল মরক্তা
ঐদি থল্লি-পূর্ণিমাগী থাজদো
মহাভারতকী খোঙচৎতা
মালেমগী থবাইদা।

খোঙজেল

অঙৌবা অয়ুক, শেংলবা অতিয়া
লিরি লিরি হুমলিবা মলয়াগী ভাইবংরক্লা
বসন্তগী থাবরবা মৈশান চোক্থরশা
মতম কুইনা তুমলুরবা খোঙজেলদো
মঙ্ ফাউনরে ঙসিদি ।

থাইবং মালেমগী মালংদা
মাগী মঙ্ লৈবাক্তী রারিদি
মতমগী রাইহগী যমনা
পুক্রিং ০ না ভাবিগনি ।

হহুগ ।
হিমালয় চীংদোন্ মথক্তী
অপুম্বা পেংবা উনরক্তগী
তুম্লাইবক্তা চেম্বরকপা ঈচেলগী
খোরকপা ইতিহাস নিক্পা খোঙজেলনা
পাংকজয়গী খোঙজেলতম্ক ভাই;
মাগী রারিদি ভাবিদে ।

পুক্রিং য়েম্রিং হনবনা
নৈশানা চোক্থরবা খোঙজেলদো
মতমগী তোর্বান্দো লেপ্তুনা
পাকলবা সমুদ্র ঈপাক্লা

অনৌবা ঈপোম্ ঈপাক্তা
চাংজৌ থাদোক্তুনা চৎখ্‌্রবা
মৈরা পরেং য়েংহনা মৈরি ।

মপিজা চরোংনা হরাস্তনা পানথ্‌্রবদা
মা ়া চৎখ্‌্রবা থম্মোয়গী তারনা
ফজবদা ফজবগী তুংনফম্ ইবুঙোগী
ফিজোন্ লৌ থোক্লি ।
মবক্তা ঐনা নোক্লি ।

থাবল করবা অহিং

করিনা মুংতক্ খুংজাননা কয়ি
    থাবল করবা অহিংসিদা ?
থাবলতা নত্তে, ইংলবা মলয়াম্বু হয়ি.
    লোয়ননা মাইহৈপে মরিমকুপ্পী শিংলক্লে
    মসক্তুপী অনৌবা হৈগনম-লৈনম ।

থংভড, ঙসিদি ঙম্নংবাই নহাক্কী চেংবানংদা
    লাংবা লোংবা থা' কংবা
    নোক্কা নোক্কা থ্রংস লানবা
    রাংতবা লৈরিবা টেবিলদগী
    মরবং. শোরোন, অস্তরাগ ।

মতম কুইনা ইনুংগী মায়খুমনা
কুপশিনখিবদা মহাক্কা অংশংবা লম্বীদা
                কাউক্কবদা
                থুকরে
            নংবা থংকুপ লাংদা ।

ঙসি নংগী লোংকুগী চেম্বরকপা ইচেলগুংদা
    গঙ্গাস্নান্ তৌকবা মতাক্তা
    লাইশঙ্ তম্বা চংলক্লে
    থাবল করবা অহিংসিদা
    খুংতা লৈপাক্লং অমা য়াইনা ।

'ভসিগী থাবল করবা অহিংসিদা
মাগী অর্থবা, ঐনা চায়জবা
নহাক্কী ইকুং শঙ্গাইদা
[illegible] মহাক্কী থো [illegible]
[illegible] মুখংতুনা
ইন[illegible]—[illegible]—পাউতুনা
[illegible] ইশৈ শকতুনা
[illegible] পিরে মহাক্কপু।

[illegible] পুন্না। নহাক, ঐ
[illegible] শিরাম লেংপদা
[illegible]
[illegible] থাবল করবা অহিংসাগী অর্থ
[illegible] জানবন [illegible]রাইদবনি

পোথাশঙ্

ঙমি ঐগী লানগী খোংদোইদা
নংগী পোথাশঙ্দা ফমহ্না
রাংলেন্ মিকুপ্ অমগুং
নংনা লেংলম্বা শৈরেং
তাবা ঙম্লোই হরাত্তনা।

ঐগী পুন্সীগী লৈরোং চুপথ্বা
মাগী অশেংবা ঈশৈনা
নংনা লেংলম্বা শৈরেং
তানবা থক্নবগী পাজল্
হন্থনা চেন্দুনা পুশ্ত্।

ঙসিগী অয়ুক্তা মুমিদাংগী পাউজেল চেন্নক্লিব্রিদৈ
হকচাংগী ঈনা রাংতনা চেল্লিদৈ
মাগী শউম্ কংলিদৈ
রুদ্রগী তাণ্ডব জংগোই শাবিদৈ
অকুং অতোং উররোই
মপুগী লাম্মী রাংলরোই।

ঙসিগী অয়ুক্তা লোইজিব্রিদৈ
নংনা লেংলম্বা শৈরেং
শৈরেংগী মপুগী থুমাদা
শেংলবা শেংগাদা হাপ্লুনা
কংচ্চরমি থমলসি ঙসিদি।

অহুপা হয়েং ঐনা মাতমনু মৌরপা
লাংগোই শগোল থাবা মতমদা
চিত্রাঙ্গদগী মগোই য়েংগনি
নংনা লেংলম্বা শৈরেং তাগনি
নংনা শাবা পোথাশঙ্‌দা ।

ঐগী বৌদ্ধগয়া

ঐদি লমদম কয়াদা চংলি ইতিহাসকী খোঙ্ চংতা
ঈ কংতুনা থরাই পুরক্কে হোংনরম্মি
পলাশীগী তম্পাক্তা
চাক্লবা মৈগী মৈর'-সিরাঙউন্দুনা
মাগী কোক্কী লুচুপ য়েংলিমলা [illegible]
মাচিক্ মী[illegible] তাপ্রবা লৈকলাগী তম্পাক্তা তাবা [illegible]
য়েংলু[illegible] [illegible]নিংদো।
মফম অতুল[illegible] [illegible]গী [illegible] [illegible]দে।
অকণবা ঈনাগী য়েক্ল-খিন্নবগী খোংজোমতমক্ [illegible]
মাগী মক [illegible]
নিংতম্বগী চাংদা লৈবা অনি [illegible] চিংখাইদুনা
চহিগী ভারত অমসুং পাকিস্তান।

ঐদি লমদম কয়াদা চংলি, ভূমিকম্প চংলি
হিমালয় [illegible]গী [illegible] তম্না
নৈপেল [illegible]গী [illegible],
সাজাহান্ থাউন্নবা পিক্রবা তাজ কয়া
উংম্মি-হুয়ানবগী খিংদংতা।
অহুন. মখোয়দি লেপ্লা ভরদে আগ্রাগী তাজমহলগী মমিদা।

থাবল করবা অহিংনি
চংলি ঐদি মশংবা পুজিবুরকা ।
মাংলা চেনলম্মি ঈগী ঈচেল অমা,
উরম্মি-পিরাংনবা শক্তা মপুং কানবা নুংশাবী কয়া
মপুরোইবা কাইনবা ঈগী ঈচেলদা-ঐগী বুক্তগয়া
ঐগী অরানখুবমনি-চংপগী পনখৈনি ।

অশংবা-ঈথক্

হুমিং, নংস্থু পুন্সীগী শগোলসিদা তোংহুনা চৎলগা
থাংজম্ ইবোপিশক্ হোয়গী কবিতাগী অকনবা শাফুনা
নমাংদা চৎলিবা নুজাশিংগী কিজোন্ লৌথোক্তুনা
পোষ্ট মোয়টেম্ পরীক্ষা-নমদুত—
অশিবা থব্রাটবু মাগী মাগী মফমদা পুবা
সহরগী লম্বেলসিদা শা-ফৈবা কোৎচৎ চৎলিবা-উরগা
কবিগী ভিক্ষাগী ঝুলি পাইহুনা নিজরি ?
মৈত্রেবাকী থুনক্ থুনকতা চৎহুনা
পুন্সী ! অশংবা ঈথকী পুন্সী ।
অমা অনি তৌহুনা পুং মত্তা তাথ্রগা
হৈইভাওসিস্থ মপুবু মশক্ শোয়দনা থত্তলকনি ।

সুংশিবা ! পৃথিবীগী মঙ্
কারখানাদগী পাইথোরক্লিবা মৈথুসিগা লোয়ননা
লৈর লৈর ভাথু থেংহুনা পাইখিহুনা
কৈতমশঙ্গী ভকশমদা পুন্নিবা টাটসিদা
আঃ ! কয়া থরাট য়াউনা চুপচবা ।
ঐদি ইয়ুম-ইকৈ-ইক্সং-থনবদা ব্রাই ।
অঙ্কসিগী লামায়গী পাও তাবদা
শোয়দনা-শোয়দনা করেমনরক্কণি রারকী মকু অসিনা
মতম অহুদা ঐনা মফমসিদা লেপ্লাগা হায়বা ভমগনি
পুন্সী ! অশংবা-ঈথকী পুন্সী ।
অসিনি ! ঐগী থম্মোয়গী সুংশিতোম্বী ! তারব্রা ?
তারোয়-নংদি বামনহন্নুবীসিনা পাঞ্জাবী পাখংসিদা
মিংচী থংপসিতা-উগনি-তাগনি ।

মঙ্

মঙ্ ! উমথিরবা বাস্তবকী মঙ
নংনা মেরিন ড্রাইভকী তোর্ব্বান্দা
সুংশিরবা.কনাগী তম্পাক্তা কমলগা জগোই শাবিরৈ
লাউখুবা মিং যহুনা ঐবু উবদা
খজিক্কং খুজিল্লগা নশোন্ কাংহুনা হায়খিবা—
"পুক্ অসিগী রাখি অমওনি
নংগা ঐগা লিথিবা শারিহুনি
লাকনু, লাকনু,— চসিদি মিকুপ অমওং শংদে।"

খুদক্কী শন্দোংক্লি
ওল ইন্ডিয়া রেডিও, নিংথৌকোম্ফং-দিল্লীগী প্রোগ্রাম্
চহেংদি শোয়দনা মহারাণী পাইংকনি
চংদ থকতনা লেনলিবা মীওইবশিং বু য়েংনবা।
মানা মানা নৈতব-চংয়ঙহৌ।

ঐসু ঐগী ইচানুপী পুহনা হায়তক্কই
মহারাণী, ঐসু লোয়বী নৈমাবী
ইচানুপীসে এম, এ পাশনি,
চাকবী ! হিংনবা ! মী ওইনা মালেমসিদা হিংনবা।

মশা মতোমতগী হকচাংদা থিনলগা
উরত্রা ?   মচেং মচেং পকৃলিবসে
অসিনা লাইজনি, অসিনা পয়সানি, অসিনা হিংনবনি।

ঐনা মিকপ্ থোক্লকপদা
মাগী শকৃক্ষমসে
ইকাই কাইরমদে
অসিনা ওকচৈ।

কাউত্রি ঐদি

ঙসিদি নিংশিংবা থোক্লে
মহারানী, নংনা ঐগা
পুন্সীগী বসন্ত শগোল অমত্তদা তোংহনা চৎমিন্নখিবা।
থম্মোইগী ইলেকট্রিক লাইটসে কাপ্তুনম্ব
নংনা শাগৎলম্বা মিং, না, চিন্, খুং, খোং অমত্তা উয়ে।
অদুবু ঙসিগী ইডা থংগী নোং অসিন্ন
কৈফ:রন পাগা নংগী ঐগী নোংশুম্বনি।
ন'ন ঠৈ.. শাগৎলম্বা
অ:নৌবা বিশ্ববিদ্যালয়দা কম্মনহনা তাখিবা
.মৌর্য সা:ংগী লৈশ্ব তাবগী রারি
অমনি অ.শ'ক কোম্পাকী মনি
মা:ক্রবা গু'শিবন মাংতইবগী ফম্বালনি।

কাউরর'? নংগা ঐগী অডাংবা মচু
ঐনা থরাই তানা পামজবা মচু
অশংবা মপু' ফরবা মুক্ত কয়না শাগৎলম্বা মচুরক্তা
চারাম চাংলবা রা'বব' পুন্সীগী
রাহং। লোইবা না'ইরবা রাহং
নংগী ঐগী খেন্নবা হিন্দু মুসলমান।
অদুবু ভূমধ্যাসাগর থোংনুংদা জাতিকয়াগী
হৌরকফম্ থোক্লেম্নদা তিনখিবা
নংগী ঐগী লোইবা নাইরবা রাহং

নংগী ঐগী পুন্সীগী সুরেং থোং
নংগী ঐগী অনৌবা হকচাং
অমনা অমদা পিথিবা
শতাব্দীগী রাংম' লান্দুন'
'লকচ্রব' সমাজকা যুম্ফম্ থুগাইদুন তিলহনগনি
নংগী ঐগী থম্মোইদা মংলেমগী তম্পাক্র-চায়খিব কাউব্রি
নথোংগী মাল [illegible] [illegible] [illegible] পাংনগা।

অমুমা ঐমা তুমিন্ লৈবাদি

মস্কোগী খন্টাসে পুক্কুনা দৈরবসু
মাগী খঙ্গোইসিনা তাবায় কংপা ইকাইখুম্মবা ?
মানি তুম্মি মাগী তুম্বসে মিকপ থোক্কবা যাই
তুম্মবসু ঐনা 'কইডা পুন্সী' লৈরে ' যাইবী খনবদা ।
চুম্নবা তুনাদে-পুক্তা [illegible] থমা থাউরি
অহবু ঐ [illegible] মডাংলনা ওগ্না তরা শান্দোরকপগুম্
[illegible] মাংলমসিনা মর্খংসে কাইদনা ।
[illegible] তুমন লৈবানি

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] বসন্তগী [illegible]
[illegible] মতমদা ।
[illegible] মিংকুপ্তা
[illegible]
সে খৈবোং-হৈরেনৌ-কিহৈম্-কমলা চানিংবতা চারো
হৈযামসিগী বসন্তসে পুংজুংসিদা ডাহাকুং পোথারমদে
মাগী মাগী মফমদা অমুক তিনবি
কবিতা ? কবিতা ? আরম্বনি
ডাহাকুংগী মমুংদা মফম থডদনা লুপখিগদবা
কোঙ্গোলগী চৌংজাউখক্তা চংলিবা লৈশাবী পাখংগুম্
নংসু য়েংবিনবা লৈতনা মাংখিনি ।

মাঙদা রিক্সানা চংলিবী মোইরাং থোইবী মানবী নৈশাবীসে
লেপখ্রে, লমলোং মরি কাংবসিদা
ঈপোম হোরিবী পাম্বোমসে
পাংথবগী মুংশিংনা কাইদোংফম থাদোংফম থাদোকখ্রে।
উফুলদা ওন্ থোইনা লাউবি—
অমা, অনি, অহুম-পুন্সী
কয়া লাকখি, কয়া চংখি
ঐগী অশোকবনদা মন্থিরুবা
তোং য়াউত্রবা ইতিহাসনা কুপ্পা ভমত্রবা
ঐগী থরাইগী পোরোল
হাংখিদ্রা ? হাংখিদ্রা ? হাংখিদ্রা
অহুনা ঐনা তুমিন্ লৈবনি।

ঐগী বৌদ্ধ পূর্ণিমাসে
লংগোই শংগোল থাগান
পেবিসতগী টোকিও তম্না
মীতৈগী থোইবাগী খোঙ্চংতা
থরাই অমতগী লিক্লারক্লা।
অহুগা য়েংগনি
এক্সরে ভোহুনা
পরেং পরেং লেপ্লিবা-চৈরাংবীশিংসে
থম্বাগী খোঙ্চংতা লাকপ্রা ?

যুগ যুগ থুদিংগী নিঙমহৌদবগী মুংশিং
শিংলি চম্বল তুরেলগী ঈয়াইদা-য়াউরি ঐগীমু মুংশিং।

অহ্না রাজকুমারী ঐদি —
নোক্লা নোক্লা থব্রাই থাগনি
পাঠান কোটকী তম্পাক্তা
পুন্সী জোয়ান অমগী মথোংদা
অহ্না ঐনা তুমিন্ লৈবনি।

থঙ্‌হৌদলা

অতিয়াদা থরানমিচাক্‌শিং তনিক্‌ তনিক্‌ থোক্লি
অকিবনা মঙালবা অমত্তা হায়রকতে।
তোর্বান্দা মী চবুন চবুন কপ্লি
মখোন্‌ থোক্তুনা ঈচৈ অমত্তা শক্লাক্তে।
মা'দা হুমাইবী অমা শংবা লাউনা পাইখি
মাগী ঈ মচুন' ঐনা মশক্‌ থঙ্‌হৌবনি।
লাইশঙগী পৌরোল হাংদোক্তুনা লৈ
কনাম্লু মোইবুং পাইতুনা খোংবা উদে।
ঐস্লু গঙ্গাগী তোর্বান্দা কমতুনা লৈ,
অতুবু ঈশোম হাযদোক্তুনা ঈচেল অমুক্তং য়'উদে।
ডাহাকী মতু'দা থঙ্‌হৌদনা মোংফমদগী মী অমা হৌগংলগা
কন্না কন্না লাউরক্লি-নমাংদা লৈবা মী পুম্নমক হাংলো',
ঙসিগী বসন্ত পুক্লি'গী মৌ অনৌবীসে য়ুমদা পুশিনসি।

ওম্বোক্পনি হৈরোই

ওম্বোক্পনি !   হৈরোই
লিন্গী খাম্নাংতগী নংগী মিকপ্না
তসিগী সুমিদাংরাইরম শিন্থুংখে ।
কল্লেগল্ল !   নংগী কপ্পা তারগা
ঐগী পুকনুংদা মহাক্না কপখিবা
মোংবিনবা লৈতনা অমমবদা তিনখিজুম্
মতৌনাপী পৃথিবীগী খোঙচৎ
তাইবং লৈশেম্বগী লিচিংগী চিঞ্জাক্ ?
চোক্থরবা ঐগী মিৎয়েং
ওম্মোই তাবা, ওম্মোই তাবা অরা তোংবা ।

কোকিল

কোকিল শকলগন্নু অতৈ নংগী বসন্তগী ঈশৈদো
নংগী শাঙ্গাইগী উকৈদা য়ানলিবা অশিবা নুপীদো
কনাগী নুপীনো ? থড্‌লব্রা ?
ভারাং অনৌবগী ইছলনা লুপথ্রবা
ফিভুবা ওক্সিগী মমনবা আশানা
যাম্থথ্রবা অযুক্কী নুমিংনি।

নংগী ঈশৈশৎনি, বসন্তদি লৈত্রে
রাহৈসে বুমথোং থুদিংগী লৈমানা চারে
অতুবু নংগী অনৌবা খোঙ্গেল ভাবনা
ঙগোই শানা শানা চংলি।
অমনা অমগী মর ভাদে—
অসিতমক্ হায়রি—মচরিংনা শিখিবনি।
ভুন্তোকপণি ! নুপীগী সাগৈ ?

অতুনা কোকিল, শক্রগন্নু নংগী বসন্তগী ঈশৈ
বসন্তগী অশিবগী পাউজেল শক্না শক্না লাউরম্মু—
কোকিল শিখ্রে। ঐদি পৃথিবীগী মরেক্ থমতনি—

উচি

করম্বা অমমবা লমদমদগী
পৃথিবগী তাইবং লৌশিংনা য়োবা ঙমত্রবা
মীরোন কয়াগী অশিবা ঈশৈনা কুপলবা তম্পাক্তা ফমহুনা
উচি অসিনা শাদানবগী মিং
তুমথুন হুনথ্রবা তাইবংগী পুক্নিংরক্তা,
অলকাপুরীদা ফমহুনা মহারাজ কুবেরনা
চাবোর শায়রম্না শায়রি।

অহিংসে লোইথিনি,
অমমবগী শায়রগা লোয়ননা ;
উচিসিসু অনমবগী ঈশৈ লোইহনা
অমুক্তী তম্পাক্ত ফমহুনা
শক্রংনি লাইশোন ঈশৈ অমতংদি—
মপুইবুঙো, মচেৎ মচেৎ থাদবিররো মুমিংকী মডাল
অনুবা তাইবংগী ঈচেলদা
অমুবা অহিংগী অমমবা ঈশৈদা তিনথিনবা।

য়ু থকপনা য়ুগী মৈশাদা ঙাত্তজগনি,
গুপী চাবনা গুপীগী ঈ থক্চগনি
সুমিদাংগী থাউমৈগী ব্রাহং
প্রেমগী ঈরাচেনলবা মিংসু
পিক্লবা মাগী মথুনসিদা চেনথ্রনি
চেনথ্রনি নংগী ঐগী পুন্সীগী কজবা অথিবা।

মত্তম অহুদা পিক্রবা উচিপিনা
মীয়ামগী নিংথৌ ফম্বাদা ফমহুনা
ঐথোয়বু ব্রায়েল ভৌররনি
নংনা ব্রাইকুপসে চাগদবনি
নংনা ব্রাইপৌসে চাগদবনি ।

লৈ অমা
বসন্তগী অভিয়াদা থোকপা পূর্ণিমাগী থাজগুম্না ঙলন্থি,
নোংমা, পুন্সীগী ইহুল খঙদ্রবা মতমদা।
অনৌবা অশংবা মনা মকা ফম্না ঙানথোরকপগুম্না,
মহাকী পুক্নিংস্থু মকা ফম্না ঙানলম্মি।
অঙ্গা কৌথি অকিবা লৈতন'
শক্তিবুগী নোংলৈ মু'শিং
মথুং হংতুনা তোইনা তোইনা,
ময়োক্ন'খ নোক' নোক্না
পুন্সীগী বাহং কয়',
অফ বাগী উম'গী নোংশান'
পুন্সী ঈ থক্কুনা থক্কুনা,
ময়োক্নথিবা শাদানবা কয়া গুম্ন'।

ঙসিদি লৈসিগী পুন্সিগী ইহুল পোকলক্রে
কংসগী কৈগুমলঙদা দৈবকীগী পুকতগী
শ্রীকৃষ্ণ অবতার ওইবা গুম্না,
কংস পুন্সী মহাকী
মাংলগণি মা'লগণি ঙসিদি—
অকিবা, ইকাইবা, অমেংবা ঈথিম্না
পুন্সীদা চক্র, মোইবুং-বাঁশীগুম্না লৈতেংবনা।

মসিদা ঙক্নিঙাই করিস্লু ঙৈহেক্তে
অয়ুক্কী ত্রেক্ ফাম্ভগুম্মা ঐথোয় পুম্নমকস্লু
চারিবনি, থকলিবনি-পুন্সীগী অকিবা, টকাইবা, ইহুল
মাগী মহাওসিতদি তাশেংনা হায়বা ঙমদে-মী ওইনা।

শম্মাংরক্তা ফম্বাল

অকংবা মঙ্লান অমদগী ইন্দুনা হায়রুই—
নিংথৌ, শম্মাংরক্তা ফম্বাক্তনা শাম্মখে
ভারাংদগী শাম্নবনি, শাম্মাংরক্তা ফম্বাক্তনা
শাম্মখে, শাম্মাংরক্তা ফম্বাক্তনা শাম্মখে ।

অরেম্বনি অতিয়গী পাউজেল
কন্নশাংমলগী মমি সনা
অনঙ্গজংগোইশাবৌগা থরুা থেরুা চগোই শারি
পুন্সীদ ? মড্হৌলব ? চাইনরি রাংহং অনি

পাউজেল চেনব কাবুদি
পাউজেল চেন্দুনা চংশিনি
অশিবগী, ছুহাইতবগী, তরাবগী
মঙ্লান্-খোপতা ঙৈহনা
অশাংবা, অমুনবা, অকঙ্বা
সাগৈ অমগী শক্রোন অমদা ।
কবিনা মখোয়দি অশিবগী দূতনি ।
নিংথৌ, নংগীদি অমত্তা রাংতে
থাংশঙ্বা, থোংচাক্পা, সেলুংবা, লান্মী
অদুবু মখোয়না কবিগী হায়রি ?
শাম্মাংরক্তা ফম্বাক্তনা শাম্মখে
শাম্মাংরক্তা ফম্বাক্তনা শাম্মখে ।

লম্বেলদা চৎপনা লম্বেল মশক্ থঙ্‌বদি
নংদি নংগী নিংথৌকুম্নুংদা
অহুনা নংগী নৈকোনগী নৈশিংদি
থরাই অমদগী থরাই অমদা
পুন্সী অমদগী পুন্সী অমদা
নৈশাৎ তমদে, মরোল পিদে।
অহুনা মথোয়না লাউবনি
শাম্নাংবক্তা ফম্বালনা শাম্নখে
শাম্নাংবক্তা ফম্বালনা শাম্নখে ।

নঙ্গে কনানা হায় ?
নংবু লম্বেলদা নঙ্গে
ম্নাচুম্নাপরে নংগী তাকোক্তা
হাইনা তুমনা চৎপনা
ঈশু নংগী থম্মোইদা
রাহং অমত্তা চংদনা
চবুন চবুন চেনশিলক্রি।
লম্বেলসিদা মথোয়গী মিংম্না চাকই।
পাথৌ, নংনা ভারাং হায়খিবদাই—
ঐগী নৈজবা পুম্বা পিজখে
ঐগী নৈজবা পুম্বা য়েনথোক্খে
অহুবু মথোয়মা নিংথৌরা থঙ্‌দে
করিগীনো ? মসিবু করিগীনো ? করিগীনো অমুক্
মথোয়গী লাইরবা থাংপোক্শঙ্‌দা

নংদি নোমেজস্নু মখোয়গুম্না মাংখিত্রি
কংলবা থরাইবু থরাই হাপনবা
অহাংবা খম্নোইবু খম্নোই হাপনবা।

নুমিৎ অসিস্নু নোংমগী পাউজেল লোইহনা মাংখিনি
বিদায়ঈশৈ শকুনা মালেমদগী
অয়ুকঈশৈগা থোরকনবা মথং নুমিৎতা।
তাখিবং অমসুং থোরকপা-মপাননাইত্রবা পোংকী
শায়বগী অনম্নযজবদি মীনি
পুন্সী অমগী মসুং-মপান পুন্সীনি
অসিত ন মথোয়না নিংশিংলিবা ওসি।
শায়্নাংরক্না ফত্থালনা শায়থে
শায়্নাংরক ফত্থালনা শায়থে।

বীর টিকেন্দ্রজিৎ

ত্রগী পুক্রিং
বিদ্রোহ তৌখৎলকই :
অরেম্বদা অঙাংগী কবিতা ইতুনা
স্বর্গগী অমরাবতীদগী চিংথুনা
কৈরিগী পুরক্কনি মর্ত্তদা
অমৃতমচাক্লগী শক্তোন্ অনগুম্ভিবু ।

জগংকী ফজবা, অখিবা পুন্নমক্
থাংনোক্ নাকৃলক্কনি
অঙকপা ইচেলম্বদা
অতুগা হংলক্কনি--
কৈবেনো তৌরিবদো
কৈরেনো তৌরিবদো
মৈ পাইথুনা শান্নবা হৌনব্রা ?
কৈদাবুঙদা মা খিবা মৈদা
নংনা অমুক্
ইমাগী মাংব্রবা তম্পাক্কী কৌথনা
চাকহল্লগরে মফম মরাং থঙ্দনা চৎলিবা
মীতৈ মচাগী থম্মোইগী-বুনশি
সীতা দেবী উদ্ধার তৌণবা ।
মপান্ নাইত্রবা সাধনাগী ক্রদ্রথোংকাপতা
অপুনবা ইতিহাসকী কাউডমত্রবা মুংশাংশোর হোন্দুনা

ঐনা পাউখুম পিবি—
ঐগী কবিতাগী লিচিংদি
খোংজম তীর্থ ফাউবগনি।

নোংখাং কুপলকপদা
ঐসু স্বর্গ য়োবম্মে:
বীর টিকেন্দ্রজিৎ।